## ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ মরু ওই: নরেন্দ্র মোদি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ২৪৫ শুবা নিংতম নুমিৎকী য়াইফ-পাউজেল পীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনদা থাবা মেসেজ অমদা হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক অনীগী মীৎয়েংদা নীংতম্বগী ভেল্যুশিং মান্নে অমসুং লৈবাক অনীগী ষ্ট্রেটিজিক পার্টনশিপ অসি মালেমগী ওইনা মরু ওই। মোদিনা ত্বিটরগী খূত্থাংদা য়ু এস প্রসিদেন্টতা মহাক্কী পাউজেল থাখি অমসুং অমেরিকান মীয়ামগী মরুপ-মপাং ওইবগী থৌওংগা মরী লৈননা মখোয়দা তৌবীমল খঙবা উৎখি।

জুলাই ৪দা য়ু এসনা দিক্লারেসন ওফ ইন্দিপেন্দেন্স নীংশিংদুনা নীংতম নুমিৎ ওবজর্ভ তৌরিবনি। দিক্লারেসন অসি কুমজা ১৭৭৬তা সাইন তৌখিবনি। অমেরিকান কোলোনি ১৩ মখা তানা বৃটেনগী নিংথৌ কিং জোর্জ থ্রীগী মখা পোন্না লৈত্রে, য়ুনাইটেদ, ফ্রী অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেটশিং ওইরে হায়না কন্টিনেন্টেল কোংগ্রেসনা চহী অদুদা লাউথোকখি।

## উ চারা বিল্লিয়ন অমা হেন্না থাখ্রে

লক্ষ্নৌ, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশতা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথকী লৈঙাক মনুং কুমজা ২০১৭-১৮ দগী ২০২০-২১ ফাওবদা উ চারা বিল্লিয়ন অমা হেন্না থাখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন অমগী মতুং ইন্না ক্লাইমেট চেঞ্জগী ফিভমদা অহোংবা লাকহন্নবা নুংশিৎ শেংহন্নবা অমসুং নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোনগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা অচৌবা গ্রীনিং দ্রাইভ অদু ষ্টেট অসিদা চত্থখিবনি। গভর্ণমেন্টনা উ চারাশিং থাখিবদুগী চহীগী ওইবা অকূপ্পশিংদি কুমজা ২০১৭-১৮দা উ চারা ক্রোর ৫.৭১ থাখি অমসুং ২০১৮-১৯দনা উ চারা ক্রোর ১১.৭৭ থাখি।

## নুপামচা অমা গুন্ডীরনা চাখ্রে

পিলিভিট, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
দুধৱা রেঞ্জদা গুন্ডীর অমনা মীওই অমা চাথোকখ্রবা মতুং মান্নবা থৌদোক অমসু য়ু পিগী পিলিভিট দিষ্ট্রিক্টতা থোকখ্রে। গুন্ডীরনা হকচাংগী শরুক খরা চাথোকখ্রবা চহী ১৫ রোম শুরবা নুপামচা অমা ইরাই নুমিত্তা খাগ্রা তুরেলদা থেংনখি। অঙাং অদুগী ফিভম অদু উবদা মহাক গুন্ডীর অমনা হাৎপনি হায়বগী খুদম চাংদমশিং য়াওখি। ভিক্টিম অদু ওম প্রকাশ কৌই। মহাক কোটৱালি পুলিস সর্কলগী জুরিদিক্সননা কোনবা সেমারখেদা ভিলেজদা লৈবনি। মহাক তুরেল অদুদা ইরোই অমা ঈরুজবীরিঙৈদা গুন্ডীর অমনা ঈশিংদা চিংথখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনরি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং মতুংদা থোরকপা থিংনবা এৱেরনেস কেম্পেন অমা হৌখ্রে।

## দ্রোন পাইশিল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী সেন্টর এজেন্সিশিং মীকূপ-নাহুম শিংনা লৈখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
জম্মুদা লৈবা এয়র ফোর্সকী টেক্নিকেল এয়রপোর্টতা জুন ২৭তা দ্রোন অনীনা এটেক চত্থদুনা এয়র-পোর্ট অদুদা অমাঙ-অতা খরা থোকহনবগা লোয়ননা লান্মী খরদা অশোক-অপন নংহনখ্রবা মতুংদা টামিল নাদু অমসুং কেরেলাদা সেন্টর এজেন্সিশিং মীকূপ-নাহুম শিংনা লৈখ্রে।



অৱাংবা থাক্কী ছোর্স খরগী মতুং ইন্না, টেররিষ্ট খরনা টামিল নাদু অমসুং কেরেলাদা দ্রোনশিং থাজিল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী সেন্ট্রেল এজেন্সিশিংনা ষ্টেট অনীমক্কী পুলিসতা মীকূপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহল্লক্লে।

চাইনানা শ্রীলঙ্কাগী হম্বানথোতা পোর্ট পাইশিনখ্রবা মতুংদা কোষ্ট গার্দ অমসুং ইন্দিয়ন নেভিগী ইন্টলিজেন্স কাঙবুশিং টামিল নাদুগী সমুদ্র মপানগী লমশিং অমসুং কেরেলাগী খা থংবা শরুকশিংদা মীকূপ নাহুম শিংনা লৈরক্লি।

জম্মু এরিয়াদা চত্থরকখিবা দ্রোন এটেকশিং অদু সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা মায় পাকহনখিদ্রবসু অসিগুম্বা দ্রোনশিং ইন্টরসেপ্ট তৌবা হায়বসি শেল য়াম্না চঙবা টেক্নোলোজিগী মপান তাংই। লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়া টেক্নোলোজি অসিদা মতিক চাদ্রি।

টেক্নোলোজি অসিদা ইজরেলনা গ্লোবেল লীদর ওইবনা অৱাংবা টেক্নোলোজিগী দ্রোন ইন্টরসেপ্টর সপ্লায় তৌহন্নবা ইজরেলি দিফেন্স ইষ্টাব্লিশমেন্টকা খন্নবা হৌখ্রে।

ছোর্সশিংনা হায়, বোর্দর ৱাংমগী টেরর আউটফিট খরনা অসিগুম্বা এটেকশিং চত্থরকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎখরা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা টামিল নাদু অমসুং কেরেলা গভর্ণমেন্টশিং অমদি ষ্টেটশিং অসিগী সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

য়ু এস ফোর্সশিং অফগানিষ্টানদগী সিষ্টেমেটিক ওইনা লৌথোকপা হৌখিবদগী ইন্দিয়ানা টালিবান ফায়টরশিংগা লোন্না ৱারী শানবা নৎত্রগা ট্রেক টু দিপ্লোমেসি হৌখিবগা লোয়ননা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ওইরকপা য়াবা ফিভম খূদিংমক্কীদমক্তা শেম-শারি। মখোয়না হৌজিক লৈবাক অসিগী খা থংবা ষ্টেট অনীসিদা মীকূপ-নাহুম শিংনা লৈনবা রিকমেন্দ তৌখ্রে।

কেরেলা অমসুং টামিল নাদুগী সমুদ্র মপানগী মফমশিং থা কয়া ইন্টলিজেন্সনা কূপ্না শেন্নদুনা লাকপনি। জম্মুদা দ্রোন এটেক চত্থরকখিবদগী এজেন্সিশিং অসিনা ষ্টেট অনীসিদা সর্ভিলেন্স কনখৎখ্রে।

ষ্টেট অনীমক্তা লোকেল টেরর মুভমেন্ট খরা উবা ফংলে হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রবা মতুংদা কেরেলাদগী সিরিয়াদা অমসুং অফগানিষ্টানদা মশিং য়াম্লবা টেররিষ্ট কয়া চৎখিবদগী সেন্ট্রেল এজেন্সিশিং মীকূপ-নাহুম শিংনা লৈরকপনি। কোইম্বাটোর, ত্রিচি, কৈন্যাকুমারিগুম্বা দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং টামিল নাদুগী অতৈ খা থংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা অল-উম্মাগুম্বা ওর্গনাইজেসনশিংনা চত্থরিবা থবক থৌরমশিং সেন্ট্রেল এজেন্সিশিংনা কূপ্না শেন্নদুনা লাক্লি।

টামিল নাদুদা দি এম কে গভর্ণমেন্ট লাকপদগীসু ষ্টেট অসিদা অলত্রা টামিল মুভমেন্টশিং কনখৎলক্লে অমসুং প্রো-এল টি টি ঈ ওর্গনাইজেসন কয়ানা রাজিভ গান্ধি হাৎপগী কেসতা কনভিক্ট ওইরবশিং থাদোক্নবা দিমান্দ তৌবা হেনগৎলক্লে।

## দোক্টরশিংদা ভারত রত্ন পীবগী ৱাফম অরভিন্দ কেজ্রিৱালনা থৌগৎখ্রে





ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী সিভিলিয়ন এৱার্দ ভারত রত্ন চহী অসিগী ওইনা পেন্দমিক মরক্তা মীয়াম্বু থৌগল তৌখিবা দোক্টরশিং, নর্সশিং অমসুং পেরামেদিকশিংদা পীগদবনি হায়না দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অরভিন্দ কেজ্রিৱালনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা থাগৎপা ত্বিট অমদা কেজ্রিৱালনা হায়, কুমসিগী ওইনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী সিভিলিয়ন এৱার্দ ভারত রত্ন অসি 'ইন্দিয়ন দোক্টর' না ফংফম থোকই। ইন্দিয়ন দোক্টর হায়বদি দোক্টর, নর্স অমসুং পেরামেদিক পূম্নমকপুনি। মসিনা কোভিদ লাইচৎ থেংনবদা মথ্বাই কৎখ্রবা দোক্টর পূম্নমক্তা তশেংনা ইকাই খুম্নবা উৎপগী মতৌ ওইগনি। মসি মখোয়গী পুন্সি অমসুং ইমুংগী খন্দনা থবক তৌরকখিবশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎপগী খোঙথাং অমা ওইরগনি।

লৈবাক পূম্বনা মসিদা হরাওনগনি হায়না কেজ্রিৱালানা ত্বিট অদুদা মখা তাখি। ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)না পায়বা জুন থাখায় চনবা ফাওবগী দেটা মতুং ইন্না, অনীশুবা ৱেভতা দোক্টর ৭৩০ কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনদগী পুন্সি লোমখ্রে।

পূন্না দোক্টর ১১৫ শিখিবা বিহারনা অনীশুবা ৱেভতা অতৈ ষ্টেটশিংদগী দোক্টর মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিখি। ৱেভ অসিদা দোক্টর মশিং য়াম্না শিখিবা অতৈ ষ্টেটশিংদি দেল্লী (১০৯), উত্তর প্রদেশ ৭৯, ৱেষ্ট বেঙ্গল ৬২, রাজস্থান (৩৯) অমসুং অন্ধ্র প্রদেশ (৩৮)নি। আই এম এগী মতুং ইন্না, পেন্দমিক্কী অহানবা ৱেভতা ইন্দিয়াদা দোক্টর ৭৪৮ শিখি।

## লু: ২০০০ পীদবগী তুরেলদা চোংথখ্রে

বরানসি, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী বরানসিদা নহা ওইরিবা মীওই অমা মহাক্কী বার্থৱে সেলেব্রেসনগীদমক মপাদা শেল পীয়ু হায়বদা মপানা পীদবদগী রাজ ঘাটতা লৈবা মালভিয়া থোংদগী গঙ্গা তুরেলদা চোংথখ্রে।

নহা অদুনা তুরেলদা হেক চোংথখিবা মতুং মতম ইকান কানদনা মহাক্কী মপাসু মহাকপু কন্নবগীদমক তুরেলদা চোংথখি। থৌদোক অদু থাংজ নুমিত্তা থোকখিবনি। তুরেলদা চোংথখ্রবা মপা অদু থোং অদুগী মখাদা লৈবা দাইভরশিংনা রেস্ক্যু তৌখি। তৌইগুম্বসুং মচানুপা অদুদি মখোয়না থিবা ফংখিদে।

নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) অমসুং পুলিসনা মচানুপা অদু কন্ননবা থীবা হুম্বা চত্থরি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মনোজ কেসরি মচানুপা অস্বানি কেসরি কৌবা নহা অদু মহাক্কী বার্থদে সেলেব্রেসন-গীদমক লুপা ২,০০০ পীয়ু হায়বদা ইমুংনা য়াদবদগী গঙ্গা তুরেলদা চোংথখিবনি।

শেল পীদবদগী খোরাং খোয়শাওনরবা অস্বানি য়ূমদগী থোকখি অমসুং রাজঘাট থোংদা চঙশিল্লগা থোং অদুদগী তুরেলদা চোংথখিবনি। মহাক্কী মপা মনোজ সু মচানুপা অদুবু কন্ননবা তুরেলদা চোংথখিবনি। দাইভরশিংনা রেস্ক্যু তৌখিবা মনোজ ৱাখল তারমদবদগী বরানসিগী কাবির চৌরা দিভিজনেল হোস্পিটালদা এয়রলিফট তৌখি অমসুং মফম অদুদা ৱাখল তারকখি।

## লুপা লাখ ৫৪গা কোন্ননা নহা অমা ফারে

জবলপুর, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশকী জবলপুরদা রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা সোমনাথ এক্সপ্রেস ট্রেনদা তোংলকপা নহা অমা লুপা লাখ ৫১গা কোন্ননা ফাখ্রে। পুলিসনা শেনফম অদু হৱালা কেস অমনি হায়না চিংনখি। মতুং তাবদা রেলৱে পুলিসনা মেট্টর অদু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে।

ৱেষ্ট সেন্ট্রেল রেলৱেগী চীফ পব্লিক রিলেসন্স ওফিসরনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, রেলৱে সেফটিগী সব-ইন্সপেক্টর আর কে চাহর, কন্সটেবল অমিত য়াদব অমসুং সাহজদ খান রেলৱে ষ্টেসনদা মহৌশাগুম চেকিং চত্থরগা লৈখি। ট্রেন নম্বর ০১৪৬৪, সোমনাথ এক্সপ্রেস তোংলকপা পেসেঞ্জর অমদা মখোয়না চিংনখি।

আর পি এফনা চিংনরকপদগী পেসেঞ্জর অদু ট্রেনদগী কুমথহনখি অমসুং ৱাহং পাউহং তৌখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না শেনফম অদুগী মতাংদা পাউখুম শেংনা পীবা ঙমখিদে। নহা অদুগী মিং রাজেশ পাল কৌই অমসুং মহাক ভোপালদগীনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। মঙোন্দগী পূন্না লুপা ৫০,৯৪,০০০ রিকোভর তৌখি।

## কুমজা ২০২২-২৩দা পুরি এয়রপোর্টতগী ফ্লাইট সর্ভিস হৌরবা য়াই: উরিষা মিনিষ্টর

ভুবনেশ্বর, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
উরিষাগী পুরিদা শেমগৎনবা প্রপোজ তৌরিবা এয়রপোর্টতগী কুমজা ২০২২-২৩ চহীদগী ফ্লাইটশিং মিনিষ্টর পদমানভা বেহেরানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



মিনিষ্টরনা হায়, এয়রপোর্ট অমা শেমগৎনবগী চানগদবা মফম খঙদোকপগী প্রোসেস হৌরে। পিলগ্রিম সিটি অসিদা এয়রপোর্ট থম্নবগী মথৌ তাবা খোঙথাং পূম্নমক লৌখৎলে।

এয়রপোর্ট অসি শেমগৎনবগী-দমক্তা ঐখোয়না এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) অমসুং অতৈ মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্কা মীফমশিং পাঙথোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাবা মতেং খূদিংমক পীগনি। চপ চাবা মফম হেক লেপ্পগা কন্সট্রক্সনগী থবকশিং পায়খৎকনি।

ঐখোয়গী থৌরাংশিং মতম চানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙল্লবদি কুমজা ২০২২-২৩দা পুরিদগী ফ্লাইট সর্ভিসশিং হৌরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না বেহেরানা ফোঙদোকখি।

প্রপোজ তৌরিবা এয়রপোর্ট অদুগী প্রি-ফিজিবিলিটি ষ্টদি অমা চত্থনবগীদমক হৌখিবা থাদা এ আই এসগী টিম অমা পিলগ্রিম টাওন পুরিদা লাকখি। মখোয়না পুরি-ব্রমহসিরি রোদতা সিপাসারুবালি এরিয়াগা নক্ক বা গিরালদা লৈবা প্রপোজ তৌরিবা মফম অদু য়েংশিনখি।

পুরিগী রথ য়াত্রা মালেমদা মমিং লৈরবা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা অচৌবা থৌরম্নি। মসিবু লৈবাক অসিগী অমসুং মালেমগী লাইফম কোয়বা মীওই ভিজিটর লাখ কয়ানা চৎতুনা মীৎয়েং তানবনা মরম ওইদুনা মফম অসিদা এয়রপোর্ট থম্বা অসিনা মালেমদা লৈরিবা জগন্নাথপু নীংজবশিং পুরি য়ৌহনবদা মতেং পাংলগনি অমসুং মালেমদা জগন্নাথ কলচর চাওখৎহল্লগনি।

মমাঙদা উরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবীন পটনাইকনা শ্রী জগন্নাথ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অমা শানবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়জখ্রবনি।

চৈরকসিদা, উধান স্বিজগী মখাদা রুরকেলা জেপোর অমসুং উটকেলা এয়রষ্ট্রিপশিং শেমগৎপগী প্রোসেসসু চত্থরি। কোভিদ-১৯গী ফিভম্না হৌজিক্তি প্রোসেস অদু খরা থিন্থদুনা লৈরি। হৌজিক এয়রষ্ট্রিপশিং অসি ওপরেসন য়ানবগী খোঙথাংশিং লৌখৎলি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কেরলা কোংগ্রেস চীফকী মায়োক্তা ভিজিলেন্স প্রোবকী ওর্দর তৌখ্রে

তিরুভানন্থাপুরম, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
কেরলা পুলিস ভিজিলেন্স দিরেক্টরনা ষ্টেট কোংগ্রেস চীফ কে সুধাকারনগী মায়োক্তা ভিজিলেন্স প্রোব অমা চত্থনবগী থৌরাং লৌখৎখ্রে। মহাক্কী হান্নগী দ্রাইভর প্রসান্থ বাবুনা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমদা য়ূস্ফম ওইরগা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।



প্রসান্থ বাবুগী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিংগী মতাংদা ভিজিলেন্স দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুদেশ কুমারনা প্রোব অমা ওর্দর তৌখ্রে। মহাক্না ভিজিলেন্স টিম অদুদা খূদক্তা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌরক্নবসু খঙহনখ্রে।

ষ্টেট কোংগ্রেসনা পোলিটিকেলগী ওইবা লমন খুন্বগী থৌওং অমনি হায়না ফোঙদোক্কুনা লাকপা ভিজিলেন্স প্রোব অদুনা মরু ওইনা প্রসান্থ বাবুনা ফাইল তৌখিবা কমপ্লেন্টতা য়াওরিবা এলিগেসনশিংদা মীৎয়েং চঙগনি। বাবুনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট অদুদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসি মহাক্কী ইনকম ছোর্সশিংগা চানদনা লন-থুম কয়া পৈশিল্লে হায়খি।

হান্নগী দ্রাইভর অসিনা কান্নুর দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিস শারিঙৈ মনুংদা সুধাকরননা ফন্দ হাইহৎখি হায়নসু মরাল শীখি।

কান্নুরদা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিস শাবদা ফন্দ চাথোকপা অমদি অরান-অহুই কয়া তৌখিবগী ৱাফমদা নত্তনা লৈখিদ্রবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কে করুনাকরনগী মিংদা শেম্বা ট্রষ্টকী ফন্দশিং ফাওবা হাইহৎখি হায়না বাবুনা চার্জ তৌখি।

ষ্টেট ভিজিলেন্স ছোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকপদা, ইনভেষ্টিগেসন অদুগী অহানবা খোঙথাংদি কে সুধাকারনগী হান্নগী দ্রাইভরনা শীরিবা মরালশিং অদু কন্দায় ফাওবা চুম্বগে হায়বদু চেক তৌবা অসিনি। অহানবগী রিপোর্টতা য়ূস্ফম ওইরগা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন ওর্দর তৌগনি।

কেরলাগী ওপোজিসন লীদর অমসুং কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর ভি দি সাথীশননা কোচিদা পাউমীশিংদা হায়, কে পি সী সীগী চীফ সুধাকারনগী মায়োক্তা ভিজিলেন্স ইনক্বারি ওর্দর তৌরিবসি পোলিটিকেলগী লমন খুন্বা নত্তনা অতৈ করিসু নত্তে, পার্টিনা মসি থেংনগনি।

## আই জি আই এদা হিরোইন কেজি ১.২ ফারে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
অফ্রিকাগী এদ্রেস অমদগী দেল্লী-এনসী আরদা থারকপা কুরিয়র পার্সেল অমা ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট (আই জি আই এ)দা ইন্টরসেপ্ট তৌবদা লুপা ক্রোর ৭.৫গী ওইগদবা হেরোইন কে জি ১.২০ য়াওরক্লে।

হেরোইন কে জি ১.২০ অদু খুজি ময়াম অমসুং ফোল্ডর অমদা লোৎলগা পুরম্বনি। ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অমদা য়ূস্ফম ওইরগা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী মখাদা লৈবা কষ্টমস (প্রিভেন্টিভ) দেল্লীগী টিম অমনা আই জি আই এগী অনৌবা কুরিয়র টর্মিনেল অমদা ইলিগেল কন্সাইনমেন্ট অদু ফাখিবনি হায়না এজেন্সি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

কষ্টমসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, কন্সাইনমেন্ট অদু অফ্রিকাগী এদ্রেস অমদগী দেল্লী-এন সী আরগী এদ্রেস অমদা থারকপনি।

য়াম্না হৈনা খুজিশিং অমসুং ফোল্ডর অমদা লোৎলগা য়াওরমখি। জুলাই ২দা আই জি আই এয়রপোর্টতা জুরিয়র অমদগী লুপা ক্রোর ৭.৫গী ওইগদবা হেরোইন রিকোভর তৌখি। মখা তাবা এক্সনশিং লৌখৎপগী থবকসু চত্থরি হায়না কষ্টমসকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 60,90,000+9,489 | 58,50,000+8,395 | 1,23,000+371 |
| Kerala | 29,60,000+12,456 | 28,40,000+12,515 | 13,640+135 |
| Karnataka | 28,50,000+2,082 | 27,70,000+7,751 | 35,308+86 |
| Tamil Nadu | 24,90,000+4,013 | 24,20,000+4,724 | 32,933+115 |
| Andhra Pradesh | 19,00,000+2,930 | 18,50,000+4,346 | 12,815+36 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+111 | 16,80,000+204 | 22,622+6 |
| West Bengal | 15,00,000+1,391 | 14,70,000+1,819 | 17,779+21 |
| Delhi | 14,30,000+86 | 14,10,000+106 | 24,988+5 |
| Chhattisgarh | 9,95,000+294 | 9,77,000+581 | 13,453+3 |
| Rajasthan | 9,53,000+90 | 9,42,000+138 | 8,934+4 |
| Odisha | 9,19,000+2,917 | 8,87,000+3,158 | 4,154+45 |
| Gujarat | 8,24,000+76 | 8,11,000+190 | 10,067+3 |
| Madhya Pradesh | 7,90,000+49 | 7,80,000+61 | 9,001+12 |
| Haryana | 7,69,000+52 | 7,58,000+98 | 9,474+13 |
| Bihar | 7,22,000+136 | 7,11,000+284 | 9,599+5 |
| Telangana | 6,26,000+848 | 6,10,000+1,114 | 3,684+6 |
| Punjab | 5,96,000+171 | 5,78,000+368 | 16,103+17 |
| Assam | 5,16,000+2,375 | 4,86,000+2,524 | 4,632+28 |
| Jharkhand | 3,46,000+91 | 3,40,000+116 | 5,114+1 |
| Uttarakhand | 3,41,000+158 | 3,31,000+197 | 7,331+4 |
| Jammu and Kashmir | 3,17,000+338 | 3,08,000+497 | 4,335+2 |
| Himachal Pradesh | 2,03,000+115 | 1,98,000+247 | 3,482+1 |
| Goa | 1,67,000+169 | 1,62,000+207 | 3,069+7 |
| Puducherry | 1,18,000+147 | 1,14,000+271 | 1,760+1 |
| **Manipur** | **71,643+689** | **64,329+520** | **1,188+13** |
| Tripura | 67,451+428 | 62,843+363 | 692+7 |
| Chandigarh | 61,718+18 | 60,761+16 | 808 |
| Meghalaya | 51,035+460 | 45,596+522 | 855+6 |
| Arunachal Pradesh | 36,937+365 | 33,704+272 | 176 |
| Nagaland | 25,451+69 | 23,699+95 | 499+1 |
| Mizoram | 21,246+243 | 17,254+355 | 95+1 |
| Sikkim | 20,955+178 | 18,589+182 | 308 |
| Ladakh | 20,115+14 | 19,669+11 | 202 |
| Lakshadweep | 9,861+18 | 9,557+43 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,478+3 | 7,330+5 | 128 |

## খুঙ্গংশিংদা কোভিদ মেনেজমেন্টকা মরী লৈননা ৱার্কফোর্স শেম্নগনি: আর এস এস



লক্ষ্নৌ, জুলাই ০৪ (এজেন্সী):
রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেভক সঙ্ঘ (আর এস এস)না অয়াম্বনা নুপীশিং ওইবা ৱার্কফোস অমা শেমদুনা অহুমশুবা ৱেভ লাকপা মতমদা কোভিদ থেংননবগী ট্রেনিং পীনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা আর এস এসকী ফঙ্কসনরি অমনা হায়, 'মাত্রা শক্তি' হায়না খঙনগদবা ৱার্কফোর্স অদু ভিলেজ লেভেলদা কোভিদ মেনেজমেন্টকী ট্রেনিং পীগনি। ভিলেজ লেভেল দোক্টরশিংনা মেন্টেল অমসুং ফিজিকেল সপোর্ট পীবা ঙম্মী। ৱার্কফোর্স অসিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগনি। আর এস এসকী ভোলন্টিয়রশিং ভার্চ্যুএল মীটিংশিংগী খূত্থাংদা এক্সন প্লান অদুগী মতাংদা ব্রীফ তৌরি।

ফঙ্কসনরি অদুনা হায়, ইমর্জেন্সি নৎত্রগা হেল্থ ক্রাইসিসকী কেস অমা লাকপা মতমদা ভিলেজরশিংনা ভোলন্টিয়রশিং অসিগী মতেং লৌবা য়াগনি। মখোয়দা অয়ুর্বেদগী লেসনশিংসু তাকপী তন্বীরি।

কোভিদ লায়েংগী প্রোটোকোলদা অহানবা থাক্তা হিদাক লাংথক য়াম্না শীজিন্নবগী ৱাফম য়াওদবনা ওক্সিজেন সপোর্ট পীবগী বেসিক ট্রেনিং ফংনবা খুঙ্গংগী দোক্টরশিংনা ইমর্জেন্সি কেসশিং হেন্দল তৌবা য়াগনি।

ইমর্জেন্সিগী মতমদা খুঙ্গংগী মীয়াম্না অসিগুম্বা প্রক্তিস্নরশিংদা থাজবা থম্বা য়াগনি। সেৱা ভার্তি, অরোগয়া ভার্তি অমসুং ভানাস্থালি অশ্রমগুম্বা আর এস এসকী মরু ওইবা ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসন পূম্নমক্তা অনৌবা ৱার্কফোর্স শেম্বা অমসুং মখোয়বু ট্রেনিং পীবদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা খঙহনখ্রে।

আর এস এসকী ফঙ্কসনরি অসিনা মখা তানা হায়, ওর্গনাইজেসনশিং অসিগী মেদিকেল এক্সপর্টশিংদা ভিলেজ দোক্টরশিং, অয়ুর্বেদা চারিয়াশিং অমসুং ভৈদ্যাশিংবু গ্রাসরূট লেভেলদা কোভিদ পেসেন্টশিংগী মেনেজমেন্টকী মতাংদা ট্রেনিং পীননবা খঙহনখ্রে। অতৈ মেম্বরশিংবুনা খুঙ্গাশিং কন্টেক্ট তৌনবা অমসুং নুপীশিংগী ওইবা ৱার্কফোর্স গ্রুপ অমা শেম্নবা খঙহনখ্রে।

খুঙ্গং খূদিংমক্তা য়াম্লবদা মেম্বর ১১ অমসুং য়ামদ্রবদা মেম্বর ৭কী গ্রুপ অমমম লৈগনি। ভিলেজ অমদা কোভিদ পেসেন্টশিং থেংনবা মতমদা মখোয়দা ইহান হান্না লৌখৎকদবা থৌরাংশিং গ্রুপ অসিদা ব্রিফ তৌদুনা মতাংদা খঙহনগনি।

## ꯄꯦꯟꯁꯟ/PENSION BOOK LOST

ঐগী ইপাগী Pension Book bearing no. SM/2708 ওইবা অসি য়ূমদগী Treasury Office I/E ফাওবা ফোটো কাপ্পা চৎপদা মফম খঙদনা তাহৌরে। কনাগুম্বনা খুনবীবা য়াওরবদি মখাগী মীওই অসিদা শিন্নবীয়ু নৎত্রগা পাউ পীবিয়ু, অৱামল মতিক চানা তৌজগনি।

Sd/- **Yumnam Dhaneshwor Singh**
S/o (L) Yumnam Mani Singh
Takhel Mayai Leikai, I/E # 7629022771
HL-P/9988/4,5

## ꯍꯤꯔꯥ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6972/17/5-15/6

## ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ/ NUNGAIBA PHONGDOKPA



SUDHAKAR (SHAMU)

Eigi oi thangba eshing marida 0.52mm chaoba nung ama leibadagi Sagolband Khamnam Leirak near I.T.I. manak Imphal da leiba nungi layengba pabung Laishram Nabakishore (Padma Shri Awardee) gi machanupa Laishram Sudhakar (Shamu) na pabungi mahut sinduna eibu layengbiba houba hapta ama phabada nung adu tarakle maram aduna nungaiba phongdokpa oina pabungi mahut sinbiriba ebung Sudhakar bu thagatchari thamoi sengna pabungbusu punshi shangna hingba oibiyu.

**Sd/- K. (Ongbi) Sh. Roni Devi**
Awang Jiri Maning Leikai
HL-P/9984/3,4,5